# ইন্টরনেসনল যোগ দে, ২০২২ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবালনা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ হেন্দিকেপ পার্সন্স (আর আই ঐচ পি) য়াইরিপোক বামোল লৈকায়গা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা ইনি দয়ানা নীংখা তন্নকপা চহী ৭৫ মপুং ফারকপগী থৌরম অজাদি কা অম্রিট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা ঙসি আর আই ঐচ পি য়াইরিপোক বামোল লৈকায়গী কেম্পসতা ইন্টরনেসনল যোগ দে, ২০২২গী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।




ঙসিগী ইন্টরনেসনল যোগ দেগী থৌরম অদুদা আর আই ঐচ পি য়াইরিপোক বামোল লৈকায়গী প্রসিদেন্ট থবক্তগী পোত্থারবা জেইন্ট দিরেক্টর ভেটিরিনর ডা. মাইবম রাজেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবাল এ কামেশ্বর, আই সী দি এস থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর টি ঐচ সুরঞ্জয় অমসুং ভারত শ্বাভিমান ট্রষ্ট পতাঞ্জলি যোগ সমিটি, মণিপুরগী যোগ ইন্সত্রক্টর কোংজেংবম হেমন্তনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

আর আই ঐচ পি য়াইরিপোক বামোল লৈকায়গী সেক্রেটরি এস ঐচ কুঞ্জবিহারী শর্ম্মনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কমদৌনা করিদগী ইন্টরনেসনল যোগ দে হায়বসি পাঙথোকখিবনো হায়বগী মতাংদা শন্দোক্না মীয়ামদা থমখি। যোগ ইন্সত্রক্টর হেমন্তনা যোগ করিনো মসিগী কান্নবশিং করি করিনো হায়বদু শন্দোক্না থমখিবগা লোয়ননা যোগগী আসান কয়া অমসু শরুক য়ারিবশিংদা তাকপী তন্বীখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা আর আই ঐচ পিগী প্রসিদেন্ট ডা. মাইবম রাজেন্দ্রনা হায়খিবদা, ঐখোয়না হকচাং ফনা থন্বা হায়বসিদা হকচাং মনুংগী কয়াৎশিং অমদি মপান্থোংগী লূ-তোংশিং ফনা থন্বা চঙই। হকচাং ফনা থন্বা হায়বসিদা যোগ শান্নবা অসিনা চাউনা মতেং পাংই হায়বশিং মালেমগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। যোগ হায়বসি নোংমগী মতম খরদং কায়থোক্লগা য়ুমগী মফম অমদা অদুম শান্নবা য়াবা অমসু ওই হায়খি।

প্রসিদেন্টগী ৱারোলদা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবাল এ কামেশ্বরনা তশেংবগীদি ইন্টরনেসনল যোগ দে অসি জুন ২১দা পাঙথোক্কদবনি। অদুবু লৈঙাক্কী পাউতাক মতুংইন্না যোগগী কান্নবশিং অদু মীয়াম হুপ্না খঙহন্নবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি পাঙথোকপনি। হকচাং নাদ-য়েক্তনা থম্নবা ঐখোয় যোগ শান্নসি, ঙসিগী থৌরম অদুদা মীয়াম্না শরুক য়াবীবগীদমকসু দি এস দল্লিয়ু ও কামেশ্বরনা শরুক য়ারিবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মায়কৈ অদোমগী নুপী-অঙাং, আর আই ঐচ পিগী মহৈরোয়শিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর অমদি আই সী দি এস থৌবালগী ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি।

# এম এস এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচ এন এস): থবক থৌরমশিংদা হেন্না মপুং ফানবা হায়দুনা লম-লমশিংগী মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি চহী খূদিংগী রিফোর্ম তৌদুনা লাকপগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী অনৌবা টর্ম ২০২১-২২গী ওইনা নৌনা থৌ পুগদবশিং এম এস এফ হেদ ওফিসতগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা খনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এম এস এফকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) হেদ ওফিসকী জেইন্ট সেক্রেটরি তেকচম রোজিৎ, ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি সুন্দর খুমন অমদি এসিষ্টেন্ট ওফিস সেক্রেটরি অভিজিৎ কব্রাবম য়াওনা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখিবগা লোয়ননা এম এস এফকী ৱাশক চেরোলবু ঈকায়খুম্ননা ৱাশক লৌমিন্নখি হায়রি।

মীফম অদুনা মহৈরোয় অমা ওইনা লাইরিক নীংথিনা তমদুনা মরৈবাক্কীদমক করম্না থৌদাং লৌগদগে অমদি অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপদা মহৈরোয়শিংনা পুগদবা থৌগায়শিংগী হীরমদা কুপ্না খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা অচেৎপা ফিরেপ কয়াসু লৌমিন্নখি। ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকখিবা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখিবগী থৌরম অদুদা এম এস এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী খনখ্রবা থৌমীশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা নিঙোম্বম সুরচন্দ্র; ভাইস প্রসিদেন্টতা অকোইজম কিরঞ্জিৎ, নিঙোম্বম লোনি, হাওবম বিজেতা, শগোলশেম অমুথোই; জেনরেল সেক্রেটরিদা লাইশ্রম ৱিলিয়ম; জোইন্ট সেক্রেটরিদা অথোকপম অঙৌসনা; ফাইনান্স সেক্রেটরিদা সমন্দ্রম জুনিলকান্ত; এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা খুম্বাল্লম্বম অর্সিশ; ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা থোঙাম সুশিন; এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা অথোকপম মাইকেল; পল্লিসিটি সেক্রেটরিদা থোকচোম সৈত্যরানি; এসিষ্টেন্ট পল্লিসিটি সেক্রেটরিদা মোইরাংথেম রোসন; ৱিমেন এফ্যের্স সেক্রেটরিদা মেমথোই সোইবম; এসিষ্টেন্ট ৱিমেন এফ্যের্স সেক্রেটরিদা রিতু সোইবম; কলচরেল এফ্যের্স সেক্রেটরিদা খুন্দ্রাকপম জুলিয়া; এসিষ্টেন্ট কলচরেল এফ্যের্স সেক্রেটরিদা শিজগুরুময়ুম দোলিকা; দ্রগ এফ্যের্স সেক্রেটরিদা সাপম পুস্পারানি; এসিষ্টেন্ট দ্রগ এফ্যের্স সেক্রেটরিদা অমাকচম ইচন; ইনভইরনমেন্ট এন্দ ইকোলোজি এফ্যের্স সেক্রেটরিদা নাওরেম কল্পনা; গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিদা মাইস্নাম বিদ্যাচান্দ; এসিষ্টেন্ট গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিদা ৱাই ধনকুমার; ওদিটর জেনরেলদা লাইশ্রম সিতল অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংদনা থানিল চিঙাখম, খুন্দোংবম সনামচা অমসুং এল দেবিটনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুন হায়, এম এস এফনা লিশাং শিংনা মহৈরোয় খুন্নাই অমদি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখি। ইরমদম খুন্নাই চাউখৎনবা হোৎনবা হায়বসিদা মহৈরোয়শিংগী অচৌবা থৌদাং কয়া লৈ। মরম অসিনা মণিপুরগী মফম মফম খূদিংদা এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি হাংদোক্তুনা এম এস এফকী ৱাখল্লোন চেলহনবা খক্তা নত্তনা লৈরিবা নহা অমদি মহৈরোয়শিংদা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী ইথিল পোকহন্নবা অমদি লাকহন্নবগী পান্দমদা হাংদোক্তুনা লাকপনি হায়রি।

# মীওইবগী পুন্সি শাংদোকহন্নবা,

## উনসা খুইজিল্লক্তনবা হিদাক পুথোরকপা য়ানা লৈরে

লৌশিং পুক্কে

রিছার্চরশিংনা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অমদা উচিগী পুন্সি চাদা ৩৫ রোম শাংদোকহনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মীওইবগী মতাংদসু পুন্সি শাংদোকহন্নবা হীদাক পুথোরকপা য়ানা লৈরে।

মায়ো ক্লিনিক্কী রিছার্চরশিংনা উচিদা থিজিনবদা সেল মখল অমা চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা মশীং হন্থরকই অমসুং মদুনা মরম ওইরদুনা পুন্সি তেলহল্লি হায়বা খঙলকখি। হায়রিবা সেলশিং অদুগী মথৌদা অহোংবা থোকহল্লবদি টিস্যু অমসুং ওর্গানশিংগী ফীভম কায়হন্দবা মরম্না পুন্সি শাংদোকহল্লি হায়বসু খঙলকখি।



ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা দরেন বেকরনা হায়খি, চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না সেলশিং অমাঙ-অতা থোরকই। অমাঙ-অতা থোক্লবা সেলগী মশীং হেনগৎলক্লবা মতমদা কেন্সর ওইরকপনি। অদুবু সাইন্টিষ্টিশিংনা এ পি ২০১৮৭ কৌবা কম্পাউন্দ অমা কাপশিনবা মতমদা অমাঙ-অতা থোক্লবা সেলশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা হকচাংগী কয়াৎশিং শোকহন্দবা ঙম্লম্মী।

মতৌ অসুম্না মীওইবদসু অমাঙ-অতা থোক্লবা সেলশিং লৌথোকখিনবা হীদাক থাবা মতমদা পুন্সি শাংদোকহনবা ঙমগনি হায়না ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মায়ো ক্লিনিক্কী রিছার্চর জেন ভেন দর্সননা ফোঙদোকখি। মতৌ অসুম্না উচিদা চাংয়েং তৌবা মতমদা উচিগী পুন্সি চাদা ৩৫ রোম শাংদোকহনবা ঙম্লে হায়রি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি নেচর জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, ইংলেন্দগী ন্যুকাশন য়ুনিভর্সিটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা মতম চুপ্পা উনসাগী ফীভম তগৎ-তগৎ তেক্লা থম্নবগী পাম্বৈ অমা থেংনরে হায়রি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী প্রোফেসার মার্ক বর্ক-মেকিন্না হায়খি, চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা মীওইবগী স্কিন সেলশিংদা য়াওবা মেটাবোলিক এঞ্জাইম অমগী মথৌ তপ্পা তপ্পা হন্থরকই। মদুনা মরম ওইরদুনা উনসা খুইশিল্লকপগা লোয়ননা ফীভম শোকচিল্লকপনি।

এঞ্জাইম অসিনা সেলশিংদা এনর্জি পীবদগী উনসা ফজ হনবনি। করিগুম্বা এঞ্জাইমসিগী চাং হন্থখিবা থোক্লবদি সেলশিংনা এনর্জি মরাঙ কায়না ফংদবদগী উনসা খুইজিল্লকই। অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা উনসা খুইজিল্লক্তনবা এন্টি-এজিং ক্রিম কয়ামরুম শেমগৎপা ঙম্লগনি হায়না রিছার্চরশিংনা থাজবা থল্লি।

বর্ক-মেকিননা হায়খি, উনসা খুইজিল্লকপা অমসুং অহল ওইশিল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙলবনিনা অথুবা মতমদা অনৌবা মখলগী থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা মীওইববু মতম চুপ্পা নহা ওইদুনা লৈহনবা ঙম্বগী ফীভম লাকপা য়াই।

হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিং মতৌ করম্না শোকচিল্লক্তুনা অহল ওইশিল্লকপগে হায়বদুসু রিছার্চরশিংনা খঙবা ঙম্লবনিনা মীওই খুদিংমক মতম চুপ্পা নহা ওইনা লৈহন্নবগী পাম্বৈ অমা পুথোরক্লগনি হায়না থাজনরি।

অতোপ্পা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মতম চুপ্পা নাইতোম লৈগনবা মীওইশিং থুনা অহল ওইশিল্লকই হায়বা খঙলে। মতম শাংনা নহা ওইদুনা লৈনবগীদমক নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক মীরক তীন্দুনা ৱারী-ৱাতাই শানবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মীরক তীনবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংদ্রগনা ইন্টর্নেট অমদি সোসল নেটৱার্ককী খুথাংদা অতোপ্পা মীওইশিংগা তোয়না ৱারী শাগদবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুমিয়া য়ুনিভর্সিটিদা রিছার্চরশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিজিল্লম্মী। মদুনা নাইতোম লৈগনবা অমসুং মীরক তীন্দবা মীওইশিং থুনা অহল ওইশিল্লকই হায়বা খঙলকখি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী রিছার্চর এলিনর লার্সননা হায়খি, নোংমগী ঙাইহাক কোয়থোক্তুনা মীরক তীনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরবা মীওইশিংবু ইন্টর্নেট শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি।

ইন্টর্নেট অমদি সোসল নেটৱার্ককী খুথাংদা অতোপ্পা মীওইগা ৱারী শাবগী খুদোংচাবা ফংহল্লবদি চহী য়াম্লবসু হকচাং শোন্থরক্তে। অহল ওইশিল্লকপা হায়বসিমক্তবু অয়াম্বা মতমদা নুংঙাইতবা ৱাখল খঞ্জিন্দুনা লৈগল্লি। মদুনা মরম ওইরদুনা অমুক্কা হেন্না হকচাং শোকচিল্লকই। অদুবু অতোপ্পা মীওইশিংগা ৱারী শানবা মতমদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু অৱাবা ৱাখল কাউথোকহনবা

মরম্না হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি ইনভেষ্টিগেটিব দর্মাটোলোজি অমসুং দিজর্টেসন্স জর্নেলদা ফোঙলকখিবনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# অমুক হন্না সর্ভে তৌবদা য়ানবা পুরকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না ৪৪-য়াইথিবী লৌকোলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়দুনা লৌশিনখ্রে হায়রিবা মফমশিং ফেন্সিং তৌনবা পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা লৈবাক কোৎপগী থবক হৌরকপদা সোরাগী য়াম্লবা মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা ঙসি দি সী থৌবালগী ওফিসতা ৱারী-ৱাতাই শানদুনা খন্ন-নৈনখ্রে।

দি সী থৌবালগী ওফিসতা ঙসি ৪৪-য়াইথিবী লৌকোলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবগী ফেন্সিং তৌনবগী থবক পায়খৎলকপদা সোরাগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঈরাং হৌখিবা অদুগী মতাংদা কুপ্না খন্নবগী মীফম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাউনম ব্রোজেন, ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর, ককচিং জিলা পরিষদকী উপ-অধ্যক্ষ মোহম্মদ নাজিমুদ্দিন, পল্লেল জি পিগী প্রধান মোহম্মদ মুকিমুদ্দিন, ইরেংবন্দ জি পিগী প্রধান মোহম্মদ বদুর জামন, রেভিন্যু এন্দ সেট্টলমেন্ট দিরেক্টর অমদি দি সী থৌবাল এ সুভাস য়াওনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা অচুম-চুমদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্না স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়না একর ৩৫০গী কম্পেন্সেসন পীখ্রে হায়খিবা ৱাফম অদু চমম্নবা কয়া লৈরে। মরম অদুনা নৌহৌননা অমুক হন্না সর্ভে তৌমিন্নবগা লোয়ননা হায়রিবা সর্ভে অসি তৌদ্রিবা ফাওবা মখা তাবা থবক থৌরম অমত্তা ৪৪-য়াইথিবী লৌকোলদা চত্থদবা হায়নসু মীফম অদুদা য়ানবা পুরকখি হায়রি।

# এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচানা পি ঐচ সী অমদি পি ঐচ এস সীশিং চৎতুনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচ এন এস): লম্লাই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী) অহুম অমদি প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর (পি ঐচ এস সী) অমনচিংবগী অৱাৎ-অপাগী ফীভমশিং ঙসি এ সী অসিগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।



এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা পি ঐচ সী অমদি পি ঐচ এস সীগী অৱাৎ-অপা য়েংশিনবা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজো, এদিসনল দিরেক্টর (প্লান্নিং) ডা. ঐচ বোবিচান্দ, দেপ্যুটি দিরেক্টর (প্লান্নিং) ডা. বিজয়ানচিংবসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না য়াইঙংপোকপী পি ঐচ সী, লম্লাই পি ঐচ সী, শওম্বুং পি ঐচ সী অমদি সৈজাংদা লৈবা পি ঐচ এস সীগী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়ননা সেন্টরশিং অসিদা লৈরম্বা ডোক্তর অমদি নর্সশিংগা অৱাৎ-অপাগী মতাংদা তাথোক-তাশিন তৌখি। লোয়ননা খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না মতম কুইনা শাবা লোইশিন্দনা লৈরিবা নাপেৎ পল্লিদা লৈবা সী ঐচ সীগী ফীভমসু য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচানা পি ঐচ সী অমদি পি ঐচ এস সীশিংগী ৱাৎলিবশিং মেনখৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙনবা ওফিসলশিংদা হায়খি। নাপেৎ পল্লিগী সী ঐচ সীসু অথুবদা শাবা লোইশিল্লগা মীয়ামদা খুৎশিন্ননবা হায়খি হায়রি।

HL/P/1896/26/3 - 26/4

# মেত্রিক এগজামদা গার্জিয়ানশিং য়াওনা খোংবান চেল্লম্বা লাইবক থীবনি : আর এস এফ

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচ এন এস): মেত্রিক এগজামদা গার্জিয়ানশিং য়াওনা চাউনা খোংবান চেল্লম্বা য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না দ রিফোর্মিষ্টি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ)কী পল্লিসিটি সেক্রেটরি চিংলেনসনা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামদা ঙসি সোসল সাইন্স থোকপা নুমীৎ রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ)না তোঙান-তোঙানবা সেন্টর খরা য়েংশিল্লুবদা য়াম্না মওং-মরিল তাদনা মহৈরোয়শিংনা এগজাম থারম্বা থেংনখি। ললিত মাধোব শর্ম্মা হায় স্কুল, খোংজোম স্কুল সেন্টর অসিদা এগজাম য়েংশিল্লুবদা পাক্তক্লনা মাস কোপিয়িং অমদি অনফ্যের মিন্স (মাইক্রো কোপি) শীজিন্নদুনা মহৈরোয়শিংনা এগজাম থারম্বা থেংনখি অমদি মহৈরোয়শিংগী গার্জিয়ানশিংনা ফোংনা থোঙ, থোঙনাওদা ক্বেসন সেরিএল কায়দবা মাইক্রো পীশিল্লম্বা কয়া থেংনরকখি। মসিদসু নত্তনা মফম অদুদা তারিবা এগজাম সেন্টরগী ও সী, ইনভিজিলেটরশিংনসু মতেং পাংবা থেংনরকখি।

অমরোমদা, ৱাংজিং হায় স্কুল-ৱাংজিং, য়ুরেকা হায় স্কুল- খোংজোম, মার্টিন গ্রাম্মার স্কুল-ককচিং, ভিক্টোরি হায় স্কুল-ককচিং অমদি ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল হায়রিবা সেন্টরশিং অসিদা য়াম্না ঈংনা চিক্লা এগজাম পাঙথোক্লম্বা থেংনরকখি। মওং-মরিল তাদনা এগজাম পাঙথোক্লিবা সেন্টরশিং অসিদা বোসেমনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। কাঙলোন লান্না এগজাম থারল্লিবা সেন্টরশিংদা তারিবা ও সী অমদি ইনভিজিলেটর তারিবা ওজাশিংদসু অকনবা মীৎয়েং চঙবীনবা আর এস এফকী মায়কৈদগী ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।




# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২। ০৪। ২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা;
শজিবুগী ১১ নি পানবা।

**মেষ:** নচা-ননাই অমদি হন্থবনা উশিত্তবা, হোয়া ফবা অমদি অনম তানবনা মাঙজবা নুমিৎনি। হকচাংদি নুংঙাই, থৌনা ফুদোকপনা লন তানশিনবদি ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** অয়ুক্তা নীংবা থুংজে, লেঙদবা লন চাওখৎনবগী মরম লাকই অমদি শেন্দোং চাওনা ফংগদবা খোংশাল লৈ। মতাং চাদনা য়েৎনবনা মাঙজগনি-খাঙবা কনখো।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** থেংলপ্পা নীংবা থুংবা, পাংঙমদবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইজবা, অফবা লৌশিং তানশিনবা ফবা নুমিৎনি। থাজদবা মফমদগী ওইজ-ওইথক ফংউ হায়বসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** অয়ুক্তা ৱাখল থোকপা অমদি নীংবদুমক পাঙবা য়াবা লৈ। মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি খরা ৱারসু পল্লম্বা লন ফংনবা হোৎনবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী অদুম ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** চাদিং হন্থরগনি,খন্থরগা থৌ পাঙবনা হেন্নদুম ওইজ-ওইথক ফংলগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নফম খংলোই অমদি লৌশিং চাওবগী ৱা তাবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**কন্যা:** অয়ুক্তা লাইবক ফবা খোংশাল লৈগনি। হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, পল্লম্বা থবক পাঙবা ঙম্বগী নুংঙাই, ঙাঙবা শকপা হৈ। য়েক্লবনদি নরল মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**তুলা:** থবক পাঙগনি, শেল ফংগনি, মীচং লৈগনি, ৱাখল থোক্কনি, লৌশিং চাওগনি অমদি নক্লবশিংগী মতেং ফংগনি। হুরানবনদি ইমুংদা মাঙহনগনি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিনবা মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** মীপাইরম্বা কোকচদুনা ওইজ-ওইথক ফংগনি, লন খোম্বা য়াগনি, ইমুং মনুং লোয়নবা হেন্না কান্নগনি। মী উশিত্তবদি তৌগনু-করি নত্তবদা মরুপ কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** ৱা ঙাঙবা, য়েৎনবা অমদি হোয়া ফবা লুবা নুমিৎনি। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজগনি, থৌনা ফুদোকপনা মায় পাকপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মকর:** অচুম্বনা লাকচগদবা অমদি য়েৎনবগী মহুত্তা খাঙবা কনবনা লন মাঙহন্দবা ঙম্বা নুমিৎনি। নচাক নরল চাওখৎপা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবগী নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা, মীয়াম্না পাম্নবা, মরুপ মপাংনা চানবীবা অমদি পুক্নিং পেন্না নুংঙাইজবা নুমিৎনি। পাউসু নুংঙাই। ঙক কনবদি নরলদা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** মতম মাঙবা ফরনি, ললোন ইতিক কান্নরগনি। নচাক নরল চেকশিল্লু-অশাওবনা মাঙহনগনি। য়েক্লবনা কোক শাহনবা অমদি মীখা পোলহন্নবা শিল্লক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।